ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Wednesday, April 14, 2021, Imphal 





স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রিয়াল মাদ্রিদকী প্রসিদেন্টকী ৬লকশুবা টর্মগী মীখলদা মায়োক্লবা লম্বা অমত্তা লাকখিদবদগী মায় পাক্তুনা মখা তানা ২০২৫ ফাওবা থৌ পুরগদবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা ফ্লোরেন্টিনো পেরেজ

মোন্টে কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা অনীশুবা সিদিং ফংদুনা শরুক য়ারমগদবা অদু ঙরাং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী শান্নবা য়াওররোই হায়না ফোঙদোরকখ্রবা রসিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় দানিল মেদভেদেভ

## ইন্দিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমদি জপানগী কেন্টো মোমোটা য়াওরগনি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

ন্যু দেল্লীদা মথং থাগী ১১দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া ওপন সুপর ৫০০ ইভেন্ট ওইরিবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং শরুক য়াবগী মনুংদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন নুপীগী শান্নরোয় স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমদি নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা জপানগী কেন্টো মেমোটা য়াওরি।

টুর্নামেন্ট অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট অরোইবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। য়ু এস দোল্লর ৪০০০ লৈগদবা টুর্নামেন্ট অসি ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্কদৌরি। লোয়ননা চাইনাগী শান্নরোয় য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৩৩দগী নুপা শান্নরোয় ১১৪ অমসুং নুপী শান্নরোয় ১১৪গী ওইবা অপূনবা শান্নরোয় ২২৮গী এন্ট্রি লৈরি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং খোঙজেল য়াঙনা হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা টুর্নামেন্ট অসি অকনবা কোভিদ-১৯ সেফটি প্রোটোকোল পাঙথোক্তুনা বাইও সেক্যুর ববল মনুংদা ভাবোক অমদি মীদিয়া য়াওদনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

সাউথ অফ্রিকা, ব্রাজিল, মিদ্দল ইষ্ট, য়ুনাইটেদ কিংদম য়াওনা য়ুরোপকী অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা নুমীৎ ৭নিগী ওইবা ক্বারন্টিন তৌরবা মতুং ন্যু দেল্লীদা মে ৩দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি। বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী চেরোল অসিনা মখা তারদুনা লাউথোকখ্রবা লৈবাকশিং অসি নৎতবা অতোপ্পা মফমদগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা মে ৬তা য়ৌরক্লগা নুমীৎ ৪নিগী ওইবা ক্বারন্টিনগী মতম লৌগদবনি হায়রি।





নুপীগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইবা ঙল্লবী কেরোলিনা মারিননা নম্বর ৱান সিদ্দে ওইগদৌরি। নুপাগীদনা কেন্টো মেমোটানা ওইগনি। ইন্দিয়াদগী পূন্না শান্নরোয় ৪৮ (নুপী ২৭ অমসুং নুপা ২১) য়াওদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নরোয়গী টিম ওইবা লৈবাক অদু ওইগদৌরি। মলেসিয়াগী শান্নরোয় ২৬ শরুক য়াদুনা ২শুবদা লৈরি।

## ৱাং সুৱাংগী পাঞ্জল ২না সাউথ কোরিয়াগা দ্রো চৎলবসু চাইনানা এগ্রিগেটতা হেন্দুনা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রে

সুঝৌ, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

চাইনানা য়ূম্মু ওইরগা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচতা চাইনাগী ৱাং সুৱাংগী পাঞ্জল ২না সাউথ কোরিয়াগা পাঞ্জল ২/২দা দ্রো চৎলবসু এগ্রিগেটতা চাইনানা ৪-৩দা হেন্দুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা পূন্না নুপীগী ফুটবোলদা টিম ১২না লম্বা তৌগদৌরি। জপাননা য়ূম্মু ওইবা মরম্না মখোয় মাংজৌ-ননা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মদুগী মতুং ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্না এসিয়াগী মায়কৈদগী ক্বালিফাই ওইখি। অদুগা ঙরাং চাইনানা অনীশুবা এসিয়াগী টিম ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।



পনবা য়াই, সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনানা অহানবা শান্নখিবা লেগ অদুদা চাইনানা ২-১দা থোইখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা চাইনানা দ্রো চৎলবদি এগ্রিগেটতা হেনগদবা মরম্না সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মায় পাক্কনবা শান্নরকখি।

মমাংগী চয়োলদা সাউথ কোরিয়ানা য়ূম্মু ওইরগা শান্নখিবা অদুদা চাইনানা ২-১দা থোইখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকপদা চাইনাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়বগী খূদোংচাবা ইফং ফংখিদে। পুংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নরুদ্রবা মতুং ৩১শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী কাংসে রিমনা য়াম্না ফজবা শোট অমগী মতেংনা মেটচ অদু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা সাউথ কোরিয়াগী সো য়ু রিনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-০দা মাঙজিল থাখি। অদুবু চাইনাগী ৱাং সুৱাংনা পাঞ্জল ২ চনশিন্দুনা দ্রো চৎপদগী মখোয় ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

## সাউথ অফ্রিকানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৬তা থোইদুনা টি-২০ সেরিজ ১-১দা লৈনখ্রে



জোহেন্সবর্গ, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

সাউথ অফ্রিকাগী সিটি জোহেন্সবর্গতা লৈবা দি ৱান্দরর্স ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ূম্মু লৈবাক অমদি পাকিস্তানগী টি-২০ সেরিজকী অনীশুবা মেটচ অদু সাউথ অফ্রিকানা ৱিকেট ৬তা থোইদুনা সেরিজ অদু ১-১দা লৈনখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস পাকিস্তাননা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৪০ লৌবা ঙমখি। পাকিস্তানগী হৌরকপদা ফীভম য়াম্না শোকখি। স্কোরবোর্দতা রন অমত্তা লৈত্রিঙৈদা ওপনর রিজৱান আউট ওইখি। মহাক আউট ওইখ্রবা মতুং ৩শুবা ওভরদা অতোপ্পা ওপনর সর্জিল খান রন ৮খক লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী পাকিস্তানগী ইন্নিংস অদু শুপ্নগী রন ১০দা বেটসমেন ২ তুখি।

অহুমশুবা বেটসমেন অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবা বাবর অজম অমসুং হাফিজনা পাকিস্তানগী ইন্নিংস অদুবু শেমগৎতুনা শান্নবা হৌরকখি। মখোয় অনীনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক ওভর ৮ শান্নরকপদা রন ৫৮ হাপচিনবা ঙমখি। হাফিজ বোল ২৩দা ফোর ৬ য়ৈরম্লগা রন ৩২দা আউট ওইখি। মতম অদুদা পাকিস্তানগী অপূনবা স্কোর অদু ৬৮ য়ৌখি।

হাইদর অলি শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা বাবর অজমগা মখা তানা পাকিস্তানগী অপূনবা স্কোর অদু ৯২ য়ৌহল্লকখি। হাইদর অলি রন ১২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা ফাহিন আশ্রফসু শুপ্নগী রন ৫দা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকপা হাসন অলি বোল ৩দা সিক্স ২ য়ৈরম্লগা রন ১৩দা আউট ওইখিবদগী মহমদ নৱাজ শান্নবা চঙলকখি। টিমগী অপূনবা স্কোর অদু ১২৮ শুরকপদা কেপ্টেন বাবর অজম বোল ৫০দা রন ৫০ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মখা তারকপা বেটসমেনশিংনা টিম অদুগী স্কোরদা ১২ হাপচিল্লগা ইন্নিংস অদু ১৪০দা লোইশিনখি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোলর জোর্স লিন্দে অমদি ৱিলিয়মসনা ৱিকেট ৩/৩ লৌদুনা টিম অদুগী ফজবা বোলরশিং ওইখি।

মায় পাক্কনবা সাউথ অফ্রিকানা রন ১৪১ অদু শান্নগদবা ওভর ৬ ৱাৎলিঙৈদা ৱিকেট ৪খক তুরগা লোইশিনখি। ওপনর জেনমান মালান অমসুং আইদেন মার্ক্রমনা টিম অদুগী ইন্নিংস হৌদোকখি। মখোয়না অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৪৪ লৌখি। মালান রন ১৫দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা ৱিহান লুবে রন ১২দা আউট ওইখি। অদুবু কেপ্টেন হেনরিক ক্লাসেনগা মার্ক্রমগনা অপূনবা রন ৮৮ ফাওবা য়ৌহল্লকখি।

মার্ক্রম বোল ৩০ মায়োক্লবদা য়াম্না ফজবা মওংদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৫৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎতা পিট ভান বিলজোন শান্নবা চঙলকখি। মহাক ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। রন ২দা আউট ওইখি। মখা তানা চঙলকপা জোর্জ লিন্দে অমসুং ক্লাসেননা মখা তানা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ২০ অমসুং ৩৬ লৌরগা রন ১৪১ য়ৌরকপদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৬তা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী ভুবনেশ্বরনা আই সী সী প্লেয়র ওফ দি মন্থ ওইখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

থা খূদিংগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা তোঙান-তোঙানবা ক্রিকেটকী ফোর্মেটশিংদা ফজনা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোরকপদা, নুপাগী ওইনা ইন্দিয়াগী বোলর ভুবনেশ্বর কুমারনা ওইখ্রে। অদুগা নুপীগীদনা সাউথ অফ্রিকাগী ওপনর লিজেল লিনা ফংখ্রে।

ভুবনেশ্বর কুমারনা মনা অসি ফংবগী অচৌবা মরমদি মার্চ থাদা ইংলেন্দগা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল অমসুং টি-২০গী মেটচ অদুদা য়াম্না ফজবা ঙমখিবননি। মশাগী চহী ৩১ শুরবা ভুবনেশ্বর কুমারনা ইংলেন্দগা শান্নবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ ৩দা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙম্বগা লোয়ননা ইকনমি রেট অদুসু ৪.৬৫দা লৈখি। মদুগী মতুংদা টি-২০ মেটচ ৫গী সেরিজ অদুদা য়াম্না মরুওইবা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবদা নৎতনা ইকনমি রেট অদু ৬.৩৮ ওইখি।

ভুবনেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, মতম শাংনা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙল্লুদ্রবা মতুং হন্দক্কী সেরিজ অদুদা য়াওরকপদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিবা অদু য়াম্না হরাউনিংঙাই ওইখি। লোয়ননা মহাকপু খল্লকপগীদমক ভোটিং একাদেমি অমদি মহাক্কী ফেনশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা সাউথ অফ্রিকাগী লিজেল লিনা ইন্দিয়াগা শান্নবা ৱান দে মেটচ ৪ অদুদা সেঞ্চুরি অমা লৌবা ঙমখিবতা নৎতনা হাফ সেঞ্চুরি অনী অমগসু লৌবা ঙমদুনা নুপীগী ৱান দে ইন্টরনেসনলগী বেটিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

## ভেক্সিনগী মতাংদা এথলিটশিংদা মখোয়গী অপাম্বা খলহনগদবনি

টোকিও, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

জপানগী ওলিম্পিক কম্মিটিগী হেল্থ এদভাইজরনা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী ওলিম্পিক শরুক য়াগদবা এথলিটশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা নৎত্রগা কাপ্তুবা অদুগী অপাম্বা খলহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি শগোলশেন নুমীৎতা মীদিয়া রিপোর্ট অমদা লৈবাক অদুগী ওলিম্পিয়ন পূম্নমক ভেক্সিন কাপ্পা কম্পলসরি ওই হায়না ফোঙদোরকখিবদগী চয়েৎনবা কয়া সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোক্ক রকখিবনি।

ওলিম্পিয়নশিংবু জুনগী লোইশিল্লকপা ফাওবা ভেক্সিন কাপ্পা লোইরবা মতুং জপানগী অতোপ্পা মীওইশিংদনা ভেক্সিন কাপ্পগী মতম অসি থেংথগদৌরিবনি। অদুবু হায়রিবা মীদিয়াগী রিপোর্ট অসি জপান লৈঙাক্কুদি অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি হেল্থ এদভাইজর নোবুহিকো ওকাবেনা ফোঙদোকখিবদা, ভেক্সিন অসি য়াম্না মরুওইবনি। অদুবু মসি কাপ্পিংবা শান্নরোয়শিংদা মপূং ফানা ফংহনগদবনি হায়রি। নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০০৯দা ঐচ ১ এন ১ লাইচৎ থোরকপদা জপান লৈঙাক্তা ইনফেক্সিয়স দিজিজ এক্সপর্ট ওইনা থৌ পুখিবনি। এথলিটশিংনা ভেক্সিন অদু মশাগী হকশেলগী নৎত্রগা লাইনিংগী মরম্না কাপনিংদ্রবসু অয়াবা পীগদবনি হায়না মখা তাখি।

## ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগী নুপীগী টেষ্ট মেটচ চহী অসিগী জুন ১৬তগী বৃষ্টোল সিটিদা হৌরগনি





ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দগা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ অদু ইংলেন্দগী সিটি বৃষ্টোলদা জুন ১৬তগী হৌরগনি।

ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দনা ঙসি লাউথোকখিবা ফিক্সর অদুগী মতুংইন্না ইংলেন্দগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা নুমীৎ ৪নিগী ওইবা টেষ্ট মেটচ অমা জুন ১৬তগী হৌরগা জুন ১৯ ফাওবা শান্নগনি। মদুগী মতুং ৱান দে মেটচ অহুম জুন ২৭তগী হৌরগা টি-২০ মেটচ ৩না জুলাই ৯দগী হৌগদৌরি।

ইংলেন্দগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসিনা ন্যু জিলেন্দগসু ৱান দে অমসুং টি-২০ সেরিজ অমসু শান্নগদৌরি। ৱাফম অসি ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দকী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর টোম হেরিসননা ফোঙদোরকপনি।

মহাক্না মখা তারদুনা বোর্দ অসিনা ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী টিম অনীবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা সম্মর সিজন অসিদা য়াম্না কুঙবা সেদ্যুল্ডশিং লৈগদৌরি হায়রি। সেদ্যুল্ড অদুগী মতাংদা হেরিসননা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সী সী ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট নকশিল্লক্লবনিনা ইংলেন্দগী নুপীগী টিম অসিগী শেম শাবগী মরুওইবা তাঙ্কক অমসু ওইরিবনি।

ন্যু জিলেন্দ অমসুং ইন্দিয়াগা শান্নরবা মতুং ইংলেন্দগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসিনা পাকিস্তানদা চৎতুনা ওক্টোবর থাদা সেরিজ অমসু শান্নগদৌরি।


ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগা শান্নগদবা সেদ্যুল্ড অদুদি, টেষ্ট মেটচ- বৃষ্টোল কাউন্টি গ্রাউন্দদা জুন ১৬ তগী ১৯ ফাওবা; অহানবা ৱান দে- জুন ২৭, অনীশুবা ৱান দে জুন ৩০ অমসুং অহুমশুবা ৱান দে জুলাই ৩; অহানবা টি-২০- জুলাই ৯, অনীশুবা টি-২০- জুলাই ১১ অমসুং অহুমশুবা টি-২০- জুলাই ১৫নি।

## ওলিম্পিক য়াওগদবী গোস্বামি কোভিদ পোজিটিভ ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সী):

নুপীগী কিলোমিটর ২০গী রেষ্ট ৱাকতা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরবী মশাগী চহী ২৪ শুরবী প্রিয়াঙ্কা গোস্বামি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনা মহাক্না ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইরবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপনি। বেঙ্গলুরুগী সাই সেন্টরদা কোচ ওইরিবা অলেকজেন্দর আর্টিবাসিপসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 79**

**Anand, Viswanathan (2794) - Kramnik, Vladimir (2797)**
**Mainz CC Champions Duel Playoff Mainz GER (1), 2001.06.26**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Qb6 |
| 5.Nb3 Nf6 | 6.Nc3 e6 | 7.Qe2 Bb4 | 8.Bd2 O-O |
| 9.a3 Be7 | 10.O-O-O d6 | 11.g4 a6 | 12.g5 Nd7 |
| 13.h4 Qc7 | 14.f4 b5 | 15.Kb1 b4 | 16.axb4 Nxb4 |
| 17.f5 Rb8 | 18.Bf4 exf5 | 19.exf5 Ne5 | 20.Bh3 Re8 |
| 21.g6 hxg6 | 22.Bxe5 dxe5 | 23.fxg6 fxg6 | 24.h5 Bf5... |

**QUESTION :**
**White wins in 4 moves**

**Puzzle 78 Ans. :**

**35.** Kd3 Qb5+ **36.**Kd4 Ra4+ **37.**Kc3 Qc4+ **38.**Kd2 Ra2+ **39.**Ke1 Qe2#

**35.** ...Qb5+ **36.**Kd4 Ra4+ **37.**Kc3 Qc4+

HL-B/6795/8,10,12,14

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
REGISTRATION OPEN
Mega Mock Test Series
NEET (Medical) - 2021
✓ Only Offline Test Series (every Sunday)
✓ Explanatory Keys for each Test
✓ Limited Seats (With Strict SOPs)
✓ First Come First Serve
Form Issue :8th April, 2021
Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.
For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh, Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6904/7/4-6/5